# ওং সান সু চি থাদোক্লবা য়ু এননা ম্যান্মার মিলিটরিদা অকনবা মওংদা তকশিনখ্রে




ন্যু য়োর্ক, জুলাই ০২ (এজেন্সী) :

হৌজিক হৌজিক ম্যান্মার মিলিটরিনা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থল্লিবা লৈবাক অদুগী মীয়ামগী লুচিংবী ওং সান সু চি অমসুং প্রসিদেন্ট ৱিন মিন্টপু অথুবদা থাদোক্লবা য়ু এনগী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা তকশিনখ্রে।

হৌখিবা ফেব্রুৱারী থাদগী লৈবাক অদুদা মিলিটরিনা কু তৌদুনা পৱার পায়শিনখ্রবা মতুং মীয়াম অমদি মিলিটরিগী মরক্তা অকনবা মওংদা মুক্নদুনা লাক্লি। ম্যান্মার মিলিটরিনা লৈবাক অদুগী পোলিটিসিয়নশিং অমদি ওং সান সু চিবু শৌগৎপা মীওই কয়া ফাজিন্দুনা লাক্লি। থা ৫ রোম ফাজিন্দুনা থল্লুরবা মীওই কয়া ঙরাং মিলিটরিনা অমুক হন্না থাদোরকখ্রে। মদুগী মতুং লুচিংবা অনী অদু থাদোরক্লবা য়ু এননা ম্যান্মারদা তকশিল্লকখিবনি।

য়ু এনগী সেক্রেটরি জেনরেল এন্তোনিয়ো গুটর্সনা ফোঙদোকখিবদা মিলিটরিনা ফেব্রুৱারী ১ দগী পৱার পায়শিনখ্রবা মতুং ম্যান্মারদা তংদু লৈতাদবগী ফীভম অমা লাক্লি। ম্যান্মারদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা অহানবগী ওইনা পায়খৎপা য়াবা খোঙথাংদি মিলিটরিনা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থল্লিবা লৈবাক অদুগী হান্নগী ষ্টেট কাউন্সিলর ওং সান সু চি অমসুং প্রসিদেন্ট ৱিন মিন্টবু খুদক্তা থাদোকপা অসিনি।

ম্যান্মার মিলিটরিনা পৱার পায়শিনখ্রবা মতুং ফাজিন্দুনা লাকখ্রবা ময়ামগী মরক্তগী মীওই ২,০০০ রোম হেন্না ঙরাং থাদোরকখ্রে। থাদোরকখ্রবশিং অদুগী মনুংদা লৈবাক অদুগী মমিং লৈরবা জর্নেলিষ্টশিং অমসুং মিলিটরিগী ময়োক্তা খোঙজং চঙশিনবদা শরুক য়াখিবা মীওই কয়া য়াওরি।

মিলিটরিগী মায়োক্তা লৈবা মীওই কয়া হৌজিক হৌজিকসু ফাজিন্দুনা থল্লি। অরানবা পাউ শন্দোকপা অমদি মীওইবগী ৱাখল্লোন শোকহনবা য়াবা ৱাফমশিং ফোঙদোকই হায়বগী মরালদা মিলিটরিনা খোঙজংলোয় কয়া ফাজিন্দুনা থল্লকখিবনি। ম্যান্মারদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবগী ফীভম অসি মালেমগী লৈবাক কয়ানা মীৎয়েং চঙবা হৌখ্রবনি।

ম্যান্মারগী মীয়াম্না পাল্লিবা অমদি তাল্লিবা দিমান্দশিং মিলিটরিনা থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনগদবনি। ম্যান্মারদা মীয়াম্না চঙশিনখিবা খোঙজংশিংদা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা উংখৎনবগী থৌদোক কয়া থোকখ্রে। থৌদোকশিংদুনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবদা মরাল লৈজদ্রবা মীওই ৯০০ লোম শিহনখ্রে হায়রি।

### অন্তার্কটিকাদা সেলসিয়স দিগ্রি ১৮.৩ য়ৌনা শাখ্রে

জেনেভা, জুলাই ০২ (এজেন্সী) :

য়াম্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা মওংদা অন্তার্কটিক কন্টিনেন্টতা সেলসিয়স দিগ্রি ১৮.৩ য়ৌনা শাখ্রে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা কনফার্ম তৌখিবগা লোয়ননা হায়রিবা কন্টিনেন্ট অসিদা খ্বাইদগী শাবা চহী অসি মমাং চহী ২০২০ না ওইরে হায়রি।

য়ু এনগী ৱর্ল্ড মেটিওরোলোজিকেল ওর্গনাইজেসনগা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না অন্তার্কটিক পেনিনসুলাদা অর্জেন্টিনাগী স্পেরেঞ্জা রিসার্চ ষ্টেসননা থিজিনখিবগী মতুং ইন্না মমাং চহীগী সেপ্তেম্বর থাদা দিগ্রি সেলসিয়স ১৮ হেন্না শাবা থেংনরকখিবনি। অন্তার্কটিক পেনিনসুলাদা হৌখিবা চহী ৫০ রোম অসিদা শাবগী চাং য়াম্না হেনগৎলক্লি।

রিজন অসিদা শাবা হেনগৎলক্লিবা অসি মালেমগী ওইনদি য়াম্না মীপায়নিংঙাই ওইরি। গ্লোবেল ৱার্মিংগী মতাংদা মালেমগী মপাঙ্গল কল্লবা লৈবাকশিংনা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্লখ্রবসু থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদবনা মরম ওইরগা শাবগী চাং অসি নোংম নোংমগী হেনগৎলক্লি। কার্বোন ইমিসনগী মতাংদা মালেমগী লৈবাকশিংনা মতাং চানা থবক পায়খৎহৌদ্রবদি চহী ৫০ গী মতুংদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্লরকপা য়ানা লৈ হায়রি।

# সিজফায়র লাউথোকখ্রবসু ইজরেলি এয়রফোর্সশিংনা গাজাদা এয়রষ্ট্রাইক চথখ্রে



জেরুসালম, জুলাই ০২ (এজেন্সী) :

নুমিৎ ১১ নি লেপ্তুনা ইজরেলি ফোর্স অমসুং পেলিষ্টিনিয়ন রেবেল গ্রুপ হমাজকা লেপ্পা লৈত্তনা খুৎ থোক্নবদগী মীশি মীনা কয়া থোকহনখ্রবা মতুং হৌখিবা মে থাদা নাকল অনীগী মরক্তা সিজ ফায়র থমখি। সিজ ফায়র লৈখ্রবসু অহুমলকশুবা ওইনা ইজরেলি এয়রফোর্সশিংনা গাজাদা লৈবা হমাজকী বেজশিংদা টার্গেট তৌদুনা ঙসি নোঙাল্লমদাইদা এটেক চথখ্রে হায়রি।

এটেক অদুগা মরী লৈননা হমাজনা ফোঙদোকখিবদা ইজরেলি এয়রষ্ট্রাইক অদুদা হমাজকী ট্রেনিং সাইট অমা অমাং অতা থোকহনখি। অদুমওইনমক এয়রষ্ট্রাইক অদুনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি মীশি মীনা থোকহনখিবগী পাউ লৈত্রি।

ইজরেলি আর্মীগী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোকখিবদা হমাজকী মায়কৈদগী বেলুনশিং শীজিন্নদুনা ইজরেলি ফার্মরশিংগী থবক থৌরম কয়াদা অকায়বা পীনবা হোৎনরকখিবা অদুগী পাউখুম পীবা ওইনা গাজাদা লৈবা হমাজকী বেজশিংদা এটেক অদু চথখিবনি। হমাজকী খূৎশু খূৎলাই পুথোক্লিবা মফমদা টার্গেট তৌরগা চথখিবা এটেক অদু মায় পাকখি।

ইজরেলি আর্মীগী অমত্তা ঙাইরবা পান্দমদি হমাজ গ্রুপ গাজা ষ্ট্রিপতগী মপুং ফানা তকথোকপনি। মরম অদুনা সিজ ফায়র লাউথোকখ্রবসু ইজরেলি এয়রষ্ট্রাইককী থৌরমশিংদি মখা তানা অদুমক চথখিগনি। গাজা ষ্ট্রিপতা হমাজ রেবেল গ্রুপনা পামদবা থবক থৌওংশিং অদুমক চথরি। মরম অদুনা রেবেল গ্রুপ অসি মফম অসিদগী মপুং ফানা তকথোক্লবা হোৎনবনি।

ইজরেলি মিলিটরিদা মায়কৈ কয়াদগী এয়রষ্ট্রাইককী থৌওং লেপ্পবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্নরক্লি। নুমিৎ খরনিগী মমাংদসু হমাজ গ্রুপনা অরসন বেলুনশিং শীজিন্নদুনা ইজরেলি ঙমখৈগী শরুক্তা লৈরিবা লৌফমশিং মাঙহন্নবা হোৎনখি হায়রি। হৌখিবা মে থাদা ইজরেল অমসুং হমাজ গ্রুপকী মরক্তা নুমিৎ ১১ নি লেপ্পা লৈতনা খুৎ থোক্লখিবা অদুদা অঙাং ৬৬ য়াওনা পেলিষ্টিনিয়ন ২৫৬ শিখি। অদুগা ইজরেলগী মায়কৈদগীনি অঙাং ২ য়াওনা মীওই ১৩ শিখি।

নাকল অনীগী মরক্তা কা হেন্না উংখৎনরিবা অদুনা তুংদা খুদোংথিবা কয়া থোকহল্লকপা য়াবগী অকিবা লৈবনা মরম ওইরগা ইন্তরনেস্নেল মেদিয়েটরশিং অমসুং ইজিপ্তনা মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা নাকল অনীগী মরক্তা খুৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং লেপহনখিবগা লোয়নন সিজ ফায়র লৈহনখিবনি।

## দিমোক্রেসি এক্তিভিষ্টশিংনা বেল পীনবা হায়জখিবা ৱাফম কোর্টনা য়াখিদ্রে

হোং কোং, জুলাই ০২ (এজেন্সী) :

বৃটিশ কোলোনিনা বৈজিং থাদোকখিবা নুমিৎ অদুবু নীংশিংদুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা লৈঙাক্কী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লকপগীদমক হো কোং ওথোরিটিনা ফাজিনখিবা প্রো দিমোক্রেটিক এক্তিভিষ্ট চৌ হাং-তুংনা বেল পীনবা হায়জরকখিবা ৱাফম অদু হোং কোংগী কোর্ট অমনা য়াখিদ্রে হায়রি।

হৌখিবা কুমজা ১৯৮৯ দা চাইনাগী টিনানমেনদা মীয়ামগী ওইবা অচৌবা খোঙচং চঙশিনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখিবী নুপী লুচিংবী অসি ওথোরিটিনা মতম শাংনা ফাজিন্দুনা থল্লুরবা মতুং মমাং থাগী অঙনবদা থাদোরকখিবনি। হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লৈঙাক্লা শীন্দুনা পাঙথোকপা অচৌবা থৌরম অমদা নুপী লুচিংবী অসিনা অমুক হন্না খোঙজং চঙশিল্লুবগীদমক মহাকপু ফাজিনখিবনি।

অমরোমদা প্রো দিমোক্রেসি এক্তিভিষ্ট অসিগী বেল ঙসি রিজেক্ট তৌখ্রবসু লাক্লিবা ৯ দা অমুক হন্না বেল সিক তৌবা য়াগনি হায়না ৱেষ্ট কোলুন কোর্টকী মেজিষ্ট্রেট ভেরোনিকা ইয়ুংনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়নন মহাক্কী কেস থা অসিগী ৩০ দা অমুক হন্না মখা চত্থগনি হায়রি। হোং কোংদা প্রো দিমোক্রেসি এক্তিভিষ্টশিংনা তোঙান তোঙানবা মখলগী দিমান্দশিং তৌরদুনা খোঙজং কয়া চঙশিল্লি। মসিনা মরম ওইরগা মফম অদুদা তংদু লৈতাদবা ফীভম অমা ওইরক্লি।

## অফঘানদা লৈবা বাগ্রম এয়রবেজ থাদোক্তুনা য়ু এস ক্রুপশিং চৎখ্রে



কাবুল, জুলাই ০২ (এজেন্সী) :

চহী ২০ লোম অফঘান গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংগা লোয়ননা টালিবানগী মথক্তা কাউন্টর ওপরেসনশিং চথবদা শরুক য়াদুনা লাকখিবা য়ু এস অমসুং নেটো ক্রুপশিং অফঘানিষ্টানদা লৈবা বাগ্রম এয়রবেজ থাদোক্তুনা চৎখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

য়ু এসনা লুচিংবা ক্রুপশিংনা অফঘানিষ্টানগী খ্বাইদগী চাওবা এয়রবেজ অসিদা মতম শাংনা মথৌ তৌদুনা লাকখিবনি। হৌখিবা কুমজা ২০০১ গী সেপ্তেম্বর ১১ দা টালিবান অমসুং অল কৈদানা য়ু এসদা চথরকখিবা এটেক অদুগী পাউখুম পীবা ওইনা য়ু এস ক্রুপশিংনা বাগ্রম এয়রবেজতা লৈরগা টেরোরিষ্টশিংগী মথক্তা ওপরেসন কয়া চথখিবনি। অফঘানগী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাঙলোয় ফাৱদ অমন্দনা ফোঙদোকখিবদা অমেরিকান অমসুং মসিগা চৎমিন্নরম্বা কোলিসন ফোর্সশিং লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চৎখ্রে।

হৌজিক অফঘান ঙাকপগী থবক থৌরম অসি অফঘান আর্মী খক্তনা পাঙথোক্লগনি। অফঘানিষ্টানদগী ফোরেন ক্রুপশিং মপুং ফানা লৌথোকপা হৌখিবা অসিনা মরম ওইরগা অফগানগী তুংদা ওইরক্কদবা ফীভম মখোয় মশানা লেপচরগনি। য়ু এস দিফেন্স ওফিসলশিংনসু মখায়গী ক্রুপশিং অফঘানিষ্টানদগী থোরকখ্রে হায়বদু কনফার্ম তৌখ্রে। অমদি টালিবাননসু ফোরেন ক্রুপশিং লৌথোকখিবগী থৌওং অদুবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

## পাকিষ্টানদা গ্রেনেদ পোকখায়বগী থৌদোক্তা অঙাং ৩ শিরেঃ পুলিস

পেসাৱর, জুলাই ০২ (এজেন্সী) :

পাকিষ্টানগী খাইবর পাকথুনখ্বা (কে পি কে) প্রোভিন্সকী মনুং চনবা মফম অমদা ঙসি লংথোক্তুনা থল্লম্বা হেন্দ গ্রেনেদ অমা চহী নৌরিবা অঙাংশিংনা খুন্দুনা শান্নরুবগী থৌদোক অমদা পোকখায়রকপদগী অঙাং অহুম শিরে হায়না পুলিস ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

পাকিষ্টান পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবদা পাকিষ্টানদা মফম খঙদবা পোকখায়বগী থৌদোকশিং অসি য়াম্না তোয়না থোক্লি। ঙসি থোকখ্রিবা থৌদোক অদুসু লাইবকথিবনি। কে পি কে প্রোভিন্সকী মনুং চনবা নসরন দিষ্ট্রিক্টকী মনুং হঞ্জিনবা মফম অমদা অঙাংশিংনা শান্নফম লম্পাক অমদা হেন্দ গ্রেনেদ অদু তাদুনা লৈরমখিবনি। অঙাংশিং অদুনা বোম অদু শান্নপোৎ ওইরবোই নিংদুনা ময়ুমদা পুরকখি। মদুগীমতুং অঙাংশিংনা বোম অদুবু লংদুনা শান্নবা হৌরকখি। মদুদা খঙহৌদনা বোম অদু পোখায়রকপদগী অঙাং অহুম অদু শিখিবনি।

বোম পোকখায়বগী থৌদোক থোকখিবা মফম অদুদা অখন্নবা পুলিস টিম অমা চঙশিন্দুনা থিজিন হুমজিনবগী থবকশিং চথবা হৌখ্রে। কে পি কেগী চীফ মিনিষ্টর মহমদ খাননা বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তা অঙাং ৩ লৈখিদবা অদুবু অৱাবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

# রসিয়াদা কোভিদ-১৯ দেলটা ভেরিয়েন্টনা মখা তানা অকনবা চৈথেং পীবা হৌরক্লি




মোস্কো, জুলাই ০২ (এজেন্সী) :

ইন্দিয়াদা ইহান হান্না শন্দোরকপা থেংনখিবা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট দেলটানা রসিয়াদা মখা তানা অকনবা চৈথেং পীবা হৌরকখিবগা লোয়ননা হৌখিবা পুং ২৪ গী মনুংদা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ৬৭৯ শিহনখ্রে হায়রি।

কোভিদ-১৯ না খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীরিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা রসিয়ানা ৫ শুবদা লৈরি। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ ভেক্সিনেসনগী থবক থৌরম কা হেন্না তপ্পনা মরম ওইরগা য়াম্না লৌনগনবা অমদি মপাঙ্গল য়াম্না কনবা দেলটা ভেরিয়েন্টনা চৈথেং পীবগী চাং হেনগৎলকখিবনি।

লৈবাক অসিদা লায়না লাইচৎ অসিনা অকনবা চৈথেং পীবা হৌখ্রবসু মী য়াম্না তিনবা থৌদোকশিং পাঙথোকপদি লেপত্রি। মরু ওইনা রসিয়াগী অনীশুবা খ্বাইদগী চাওবা সিটি সেন্ট পিটর্সবর্গতা য়ুরো ২০২০ ফুটবোল মেটচ পাঙথোক্লি।

ঙসি শিখ্রবা অপূনবা মী মশীংগী মনুংদা ১০১ দি সেন্ট পিটর্সবর্গতগী ওইরি। মোস্কোগী মেয়র সরগৈ সোবয়ানিননা ফোঙদোকখিবদা ইনি দয়াদগী হৌরকখিবা দেলটা ভেরিয়েন্টনা লৈবাক অসিগী মফম অয়াম্বদা চৈথেং পীবা হৌরকখিবনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী গভর্ণমেন্ট ওফিসশিংগী ষ্টাফশিংগী শরুক ৩ থোকপগী ২ দি য়ুম য়ুমদগী থবক শুনবা খঙহনখ্রে হায়রি।

# য়েমেনগী হৌথি রেবেলশিংনা চথরকখিবা এটেকশিং সাওদিনা অরেম্বা তাহনখ্রে

রিয়াধ, জুলাই ০২ (এজেন্সী) :

য়েমেনদা লৈবা সাওদিনা লুচিংবা কোলিসননা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না য়েমেনগী হৌথি রেবেলশিংনা সাওদি তম্না দ্রোনগী খূথাংদা এটেক চথরকখিবা অদু অরেম্বদা তাহনখিবগা লোয়ননা মায় পাকহনখিদ্রে হায়রি।

সাওদিনা লুচিংবা কোলিসন অসিনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না য়েমেনদা বেজ তৌবা হৌথি রেবেলশিংনা হৌখিবা পুং ৪৮ অসিদা সাওদি কিংদমদা অহুমলকশুবা ওইনা এটেক চথরকখ্রে। ঙসি অঙনবদসু পোকখায়বা য়াবা মচাকশিং পুবা দ্রোন শীজিন্নদুনা সাওদিদা এটেক চথনবা হোৎনখি। অদুবু সাওদি এয়র দিফেন্স সিষ্টেমনা দ্রোনশিং অদুনা থাধরকপা বোমশিং লৈমায় য়ৌরক্ত্রিঙৈদা মাঙহনবা ঙমখি।

হৌথি মিলিসিয়াশিংনা মী য়াম্না তিনবা মফমশিংদা টর্গেট তৌদুনা এটেকশিং চথবগী থৌদোক য়াম্না তোয়না থোক্লি। হৌথিশিংনা চথরিবা এটেকশিং অসি ইন্তরনেস্নেল লোগী মায়োক্তনি। রেবেল গ্রুপ অসিবু মপুং ফানা মায়থিবা পীনবা সাওদিনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি হায়রি।

হৌখিবা শগোলশেন নুমিত্তা য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোকখিবদা হৌথি রেবেলশিংনা য়েমেন অমদি য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংদা চথরিবা এটেকশিং অসি য়াম্না লাইবকথিবনি। য়েমেনদা হৌথি রেবেলশিংনা সিভিল ৱার থোকহল্লক্লবা হোৎনরি।

য়ু এন য়াওনা ইন্তরনেস্নেল কম্যুনিটিশিংনা হীরম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং চঙবগী মতম ওইরে হায়রি। অমরোমদা হৌখিবা চয়োল অসিদা হৌথি রেবেলশিংনা সাওদিগী টেরিটোরিশিংদা লেপ্পা লৈতনা দ্রোনশিং শীজিন্নদুনা এটেক চথরক্লি হায়রি।

OFFICE OF THE
STATE HEALTH SOCIETY, MANIPUR

/NOTIFICATION

Imphal, the 2nd July, 2021

**No.738/01/NHM-21(HR):-** On the approval of the Chairman, Governing Body, State Health Society, NHM, Manipur, a Walk-in-Interview will be held shortly at NHM, Directorate of Health Services, Lamphelpat for the engagement of 140 (One Hundred and Forty) Staff Nurses and 30 (Thirty) Medical Officers (MBBS) purely on daily honorarium/wages basis at Rs. 500 (Five Hundred) and Rs.1500 (One Thousand Five Hundred) respectively per duty day for COVID-19 Vaccination Program for a period of three (3) months, which may be extended as per requirement.

Interested candidates having the requisite qualification may submit their application in the plain paper, enclosing their bio-data along with 2 (two) recent passport size photographs from 5th July, 2021 to 7th July, 2021 at Directorate of Health Services, Lamphelpat along with **(a)** Rs. 300/- (rupees three hundred) only for General, **(b)** Rs.200/- (rupees two hundred) only for OBC, ST & SC and **(c)** Rs.100/- (rupees one hundred) only for PWD.

| Sl. No. | Name of Posts | no of posts | Educational Qualification | Honorarium |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Medical Officers (MBBS) | 30 | Passed MBBS with permanent registration certificate | Rs. 1500 per working day |
| 2 | Staff Nurse | 140 | GNM/BSc Nursing with registration of Manipur Nursing Council | Rs. 500 per working day |

***Age Limit:*** 38 years/below [*Upper age limit is relaxable as per rule, 5 years relaxable for SC/ST candidates and 3 years for OBC candidates*].

***Reservation:*** Reservation will be provided as per the reservation policy of Government of Manipur.

1. The number of posts may increase or decrease as per requirement of the State Health Society, NHM, Manipur.
2. State Health Society, NHM, will not be held responsible for any postal delay. No correspondence in this regard shall be entertained by NHM thereafter.
3. The decision of State Health Society, NHM, Manipur on selection of candidates will be final and binding. No correspondence in this regard shall be entertained.

Sd/- **N. Shyamjai Singh**
State Mission Director
State Health Society, Manipur

HL-B/7018/3

# খঙহৌদনা মৈ চাক্লকপদগী মীওই ১,০০০ রোম শাফগদবা মফমশিংদা চেন্থোক্লরকখ্রে

ভেনকোভর, জুলাই ০২ (এজেন্সী) :

কানাদাগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা কা হেন্না শাগৎলকপগী অৱাবা মায়োক্লরিঙৈ মরক অসিদা সিটি অমগী শরুক খরদা খঙহৌদনা মৈ চাকখৎলকপদগী মীওই ১,০০০ রোম শাফগদবা মফমশিংদা চেন্থোক্লরকখ্রে হায়রি।

হৌখিবা পুং ২৪ দা বৃটিশ কলম্বীয়া প্রোভিন্সতা মৈ চাকপগী থৌদোক ৬২ রক থোকখ্রে হায়না প্রেমিয়র জোন হোরগননা ফোঙদোরক্লি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বৃটিশ কলম্বীয়াগী শরুক্তা থোরক্লিবা মফম মফমদা মৈ চাকপগী থৌদোকশিং অসিনা মরম ওইরগা মীওই কয়া মীপায়বা পোক্নহল্লে। ভেনকোভরদগী কিলোমিটর ২৫০ রোম চৎলগা লৈবা লিটোন টাউনগী শরুক অয়াম্বা মৈনা চাকখ্রে। য়ুমশকৈশা নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরমদা অহানবগী ওইনা চৈ লাক্লকখিবা অদুদা মফমদুদগী মীওই ২৫০ ইভাক্কেট তৌখি। কানাদাদা হৌজিক হৌজিক দিগ্রি সেলসিয়স ৪৯.৬ য়ৌনা শাবগা লোয়ননা মৈশা খাঙবা ঙমদবদগী মীশি মীনাগী থৌদোক ৱাথোকশিং কয়া থোক্লি। কা হেন্না শাবনা মরম ওইরগা মফম মফমদা চৈ চাকপগী থৌদোকশিং অসি থোরকখিবনি হায়না দিফেন্স মিনিষ্টর হরজিদ সরজানা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ওথোরিটিগী মায়কৈদগী মৈহৌ লাংপোক্কী থবকশিং কন্ট্রোল তৌনবা পায়খৎপা য়াবা থবক থৌরমশিং পায়খৎলি হায়রি।

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 183,401,114 | +432,028 | 3,971,179 | +8,316 | 167,909,780 | 11,520,155 |
| 1 | USA | 34,561,403 | +16,949 | 620,645 | +315 | 29,052,087 | 4,888,671 |
| 2 | India | 30,453,937 | +43,360 | 400,271 | +796 | 29,536,087 | 517,579 |
| 3 | Brazil | 18,622,304 | +63,140 | 520,189 | +1,943 | 16,931,272 | 1,170,843 |
| 4 | France | 5,777,965 | +2,664 | 111,111 | +29 | 5,622,756 | 44,098 |
| 5 | Russia | 5,538,142 | +23,543 | 135,886 | +672 | 5,017,321 | 384,935 |
| 6 | Turkey | 5,430,940 | +5,288 | 49,774 | +42 | 5,300,504 | 80,662 |
| 7 | UK | 4,828,463 | +27,989 | 128,162 | +22 | 4,327,556 | 372,745 |
| 8 | Argentina | 4,491,551 | +21,177 | 94,772 | +468 | 4,092,053 | 304,726 |
| 9 | Colombia | 4,269,297 | +28,315 | 107,137 | +593 | 3,964,074 | 198,086 |
| 10 | Italy | 4,260,788 | +882 | 127,587 | +21 | 4,083,843 | 49,358 |
| 11 | Spain | 3,821,305 | +12,345 | 80,883 | +8 | 3,603,584 | 136,838 |
| 12 | Germany | 3,736,940 | +717 | 91,530 | +71 | 3,625,700 | 19,710 |
| 13 | Iran | 3,218,860 | +14,303 | 84,389 | +125 | 2,889,939 | 244,532 |
| 14 | Poland | 2,880,011 | +99 | 75,044 | +23 | 2,651,906 | 153,061 |
| 15 | Mexico | 2,519,269 | +6,105 | 233,047 | +244 | 2,000,530 | 285,692 |
| 16 | Ukraine | 2,235,801 | +705 | 52,391 | +51 | 2,168,387 | 15,023 |
| 17 | Indonesia | 2,203,108 | +24,836 | 58,995 | +504 | 1,890,287 | 253,826 |
| 18 | Peru | 2,057,554 | +3,079 | 192,687 | +122 | N/A | N/A |
| 19 | South Africa | 1,995,556 | +21,584 | 61,029 | +382 | 1,754,793 | 179,734 |
| 20 | Netherlands | 1,685,825 | +825 | 17,748 | +3 | 1,634,035 | 34,042 |
| 21 | Czechia | 1,667,444 | +137 | 30,307 | +1 | 1,635,727 | 1,410 |
| 22 | Chile | 1,558,557 | +2,655 | 32,588 | +43 | 1,502,411 | 23,558 |
| 23 | Philippines | 1,418,326 | +5,784 | 24,796 | +134 | 1,341,851 | 51,679 |
| 24 | Canada | 1,415,310 | +26 | 26,295 | | 1,381,943 | 7,072 |
| 25 | Iraq | 1,353,458 | +7,554 | 17,216 | +30 | 1,250,121 | 86,121 |
| 26 | Sweden | 1,090,553 | | 14,592 | | 1,061,185 | 14,776 |
| 27 | Belgium | 1,085,131 | +581 | 25,173 | +3 | 1,036,831 | 23,127 |
| 28 | Romania | 1,080,823 | +31 | 33,897 | +5 | 1,045,351 | 1,575 |
| 29 | Pakistan | 958,408 | +1,037 | 22,321 | +40 | 904,320 | 31,767 |
| 30 | Bangladesh | 921,559 | +8,301 | 14,646 | +143 | 820,913 | 86,000 |
| 31 | Portugal | 882,006 | +2,449 | 17,101 | +5 | 830,224 | 34,681 |
| 32 | Israel | 842,067 | +290 | 6,429 | | 833,600 | 2,038 |
| 33 | Hungary | 808,160 | +32 | 29,992 | | 739,204 | 38,964 |
| 34 | Japan | 799,978 | +1,819 | 14,781 | +41 | 768,328 | 16,869 |
| 35 | Malaysia | 758,967 | +6,988 | 5,254 | +84 | 688,260 | 65,453 |
| 36 | Jordan | 751,937 | +533 | 9,756 | +6 | 735,610 | 6,571 |
| 37 | Serbia | 716,643 | +81 | 7,047 | | 707,706 | 1,890 |
| 38 | Switzerland | 703,176 | +172 | 10,894 | +3 | 684,621 | 7,661 |
| 39 | Austria | 650,474 | +62 | 10,706 | +4 | 637,909 | 1,859 |
| 40 | Nepal | 640,662 | +1,857 | 9,145 | +33 | 600,149 | 31,368 |
| 41 | UAE | 634,582 | +1,675 | 1,819 | +8 | 612,998 | 19,765 |
| 42 | Lebanon | 545,016 | +150 | 7,854 | +3 | 532,776 | 4,386 |
| 43 | Morocco | 532,150 | +789 | 9,298 | +2 | 518,101 | 4,751 |
| 44 | Saudi Arabia | 489,126 | +1,534 | 7,832 | +13 | 469,120 | 12,174 |
| 45 | Ecuador | 459,538 | +1,034 | 21,605 | +45 | 423,688 | 14,245 |
| 46 | Bolivia | 439,624 | +2,001 | 16,767 | +65 | 360,926 | 61,931 |
| 47 | Tunisia | 426,879 | +6,776 | 15,065 | +106 | 356,321 | 55,493 |
| 48 | Kazakhstan | 425,573 | +2,436 | 4,375 | +26 | 396,396 | 24,802 |
| 49 | Paraguay | 424,998 | +1,716 | 13,017 | +122 | 373,253 | 38,728 |
| 50 | Greece | 423,185 | +729 | 12,691 | +4 | 405,408 | 5,086 |